# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-9

(Ocean- atmosphere variability)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) চীংখৈঙানবা (এসোসিয়েট প্রোফেসার) (২) থোইথোই (রিছার্চ স্কোলর) (৩) লময়ানবা (কলেজ ষ্টুদেন্ট)

নুপী:- (১) মালংবী (লৈশাবী অরীবী)
(২) সনালেম্বী (কলেজ ষ্টুদেন্ট)

(মতম:- অয়ুক, মফম :- মালংবীগী য়ুম, সহরগী নীল খোংবা, লাংবগী মখোল)

মালংবী :- (ঙাং ঙাংদুনা চঙলকপা) ইস ! করিনো হন্দক চহিসিদি মনামশিংনা মরোল অমা তাংলিবা, চেংনা মরোল অমা তাংলিবা, ঐখোয়বু করম হায়না তৌগদৌরিবনো, চানিংঙাই লৈতদনা মী পুম্নমক চারা হেনবরা খঙদে, মনামশিং খরা থাগদবসু ইংখোল অহাংবা মচেৎ অমফাওবা লৈতে, ইপা-ইমানা থম্বীরম্বা য়ুম অসি মঙাইরে ঐখোয়গী হায়ববু শেম্থোক লম্বীসু লৈতে, য়ুম ভারা খরা শাল্লিবসি মঙাইরে।

সনালেম্বী :- ইচে কৈদৌরে, কনানা করি অমুক হায়রকঅগে? মুরুম মুরুম শোল্লগা লাকইদুবো?

মালংবী :- কনানা করিবু হায়রকউনেগে, সে সে খাওসি লৌশিল্লুসে, মনা-মশিং এঙ্খাং-নাপী খরা লৈরকপনি।

সনালেম্বী :- হঙ্গাম মপুলসিদি ফজরেদা, অয়ো ... ইস অয়োইমা থাংজিং য়াওবমাল্লে খুৎতা থাংজিং তিঙ্খং য়ুখরে।

মালংবী :- মসি অঙাংসিদি, মুন্না য়েংবা য়াদরো, থবক তৌবদা তফিং-তফিং হেক তৌরদনা, মেন মান অমা হেক তাদে।

সনালেম্বী :- (কপনিং কপনিং) অদো ঙসাইনা থাংজিং য়াওরকপনি হায়বদি য়াদবরা হায়বা, কনানা খঙনি খাও মনুংদা থাংজিং য়াওরকই হায়বদি।

মালংবী :- ফরেসে তোকওসে, হাইহৌদবা ঐনা লাল্লে, নবুংবু হৌগৎখ্রবরো?

সনালেম্বী :- মাদি ঙসাই ঙন্তানা হৌগৎলগা মাগী কাদা লাইরিক পারি।

মালংবী :- চানুংদি লোল্লব্রা নঙবো? করি করি পীজখ্রগে নবুংবো? নবুংসে মাগী রিছার্চ ৱার্কসি থুনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাজরবনি।

সনালেন্বী :- শঙ্গোম গ্লাস অমগনে য়েরুম অফুৎপা অমগা, লফোই অমগদি পীজখ্রবনি। অদো ইচে ঐ ৱা অমা হায়গেনে।

মালংবী :- করি ৱানো ? করি হায়গে হায়বনো?

সনালেন্বী :- অদুবুরো, ঐখোয় য়ুমসে সহরগী ময়োলমক্তদা লৈবনিনা লৈববুদি য়াম্না নুংঙাই অৱাৎপা হায়বদু অমতা লৈতে অদো ইচে।

মালংবী :- অদো কৈদৌরগে হায়বনে?

সনালেন্বী :- সহরগী অরাংবা, নীল খোঙবা, মীনা কৃক কৃক ইন্ননা লৈবা, অৱাং অৱাংবা বিল্ডিং মথোন মথোন্না অমগা অমগা ঙাথু থেংথু লৈবা মফম, অহাংবা মফম মচেৎ অমতসু লৈত্রবা, হৱা-নুংশিৎ শেংদ্রবা মফম অসি ঐদি লৈবা য়াম তল্লে।

মালংবী :- অদু কৈদৌরবা, নঙনা হায়নিংলিদো অমুক কোয়থোকত্রবসু শৎ-শৎ হায়রকও।

সনালেন্বী :- আ... উম... ... ঐখোয় য়ুমসে য়োনথোক্লগা সহরদগী খরা লাপ্না ইংখোল অচৌবা অমা লৈরগা য়ুম তনান-তনানবা পীক্তক তৌবা অমা শারগা, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা লৈরুরসি হায়বনিদা।

মালংবী :- সনালেন্বী ! নঙগী ৱাখলদো ইচে লাল্লিদি হায়রোই অদুবু মদু পাক হেক পাংথোকপা য়াবা ৱাফমদি নৎতেকো, ইপা-ইপু হাক্তকতগী লৈরক্লবা য়ুম্ফমসে তরাই-তরাই হেক্তা থাদোকপা য়াবা নৎতেকো।

থোইথোই :- (ইমুংদগী লাওরকপা) ইচে ঐ যুনির্ভসিটি ঙন্না চৎকদবনিকো, চাক খরা ঙন্না থোংবীয়ো।

মালংবী :- হোই হোই ইচে থোংলুরগে থোংলুরগে, ইবেম্মা - মালংবী নঙ এঙ্খাং খরা অমুক্তা শেন্বা যাওরোলাও, নঙসু কলেজ চৎকদবা নৎত্রা।

সনালেন্বী :- হোয় চৎকনি ইচে, ঙসিদি পুং মাপলদা প্রাক্তিকেল ক্লাসসু লৈ।

থোইথোই :- ইচে করি এঙ্খাং থোংদোইনো?

মালংবী :- হঙ্গামগা বোরিগা হেক্তা থোংজিল্লগে, উ মোরোক অমা মেৎশিল্লগে।

থোইথোই :- অদো ইচে, ঐ মতম খরা ইন্দিয়ান নেসনেল সেন্তর ফোর ওসিন ইনর্ফোমেসন সার্ভিস (আই. এন. সি. ও. আই. এস.), হাইদ্রাবাদতা চৎতুনা রিছার্চ ৱার্ক মখা তৌথরুগে।

সনালেন্বী :- তাতোন ওসিন ইনফোর্মেসন সার্ভিস হায়রিবসিনদি সমুদ্রগী মরমদা তৌগদবা রিছার্চ ওইরব্রা?

থোইথোই :- উম মানি, সমুদ্রদা জহাজগসু তোংলগা সমুদ্রগী মফম অয়াম্বদা চৎকদৌরিবনি অদুগা সমুদ্রগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনগী মরমদা থীজিনগদৌরিবনি।

মালংবী :- থোইথোই ! মদুগী ৱাদু কোন্না খন্নরসি, ঐখোয়গী ভারাদা লৈরিবা সার চীংখৈঙানবগসু খন্নখিসি, থেংখ্রনি চৎলো ইরুজথোক্লুরো, ইচে চাক লোইদৌরবনি, সনালেম্বী নঙসু চৎলো লোয়শিন্নবা তৌজরুরো, কলেজ থেংখ্রগনি।

সনালেম্বী :- হোয় ইচে ।

-ম্যুজিক-

(মফম: য়ুম ভারাগী কা, পুং মাপলমুক তারকপা মতম)

লময়ানবা :- তাচৌ চাক্তি থোংলল্লবনি, এঞ্চাংদি থোংলমদরে, তাচৌনা থোকপা তৌজহৌরো। ঐ কলেজ থেংখ্রনি।

চীংখৈঙানবা :- হায় করিনোনে নঙদি চাররোই হায়রিবরো, কাংসোইরা করিনো অমা কোক থোঙজিনলম্বা য়াদব্রা, নঙসিসু ওন্থোক্লা তনখ্রবা হায়বদুনি।

লময়ানবা :- হো কাংশোইদা চামন্দুনা তল্লবা নোং ফাদোকসু করিনো অহাওবা অমদি থোংলগা চাবা য়াবনি, ঐখোয় তাচৌসিসু লিকমনখ্রবা হায়বদুনি, তলব হায়রা য়ামেমখৈ চারিবনি।

চীংখৈঙানবা :- মসি অঙাংসিদি লীকপগী ৱা নৎতেনে, ঐ হায়রা য়ুনির্ভসিটিগী থবক ময়াম অমা চীন্দুনা লৈরে, ক্লাসপু লৌগদ্রা, রিছার্চ স্কোলর ময়ামগী থেসিসপু চেক তৌগদ্রা, করম্বা মতমদা চাক-ঈশিং মেন তানা থোংগদৌরিবনো? নঙসু অদুমঙাই লাইরিকপু পাগদ্রা, প্রাক্তিকেল নোট-বুকপু শিনগৎকদ্রা করম্বা মতমদবু শংলিবগে হায়বা।

লময়ানবা :- হুম ! তাচৌনদি ভাবতি তাজদ্রগা অহাও-অহাওবা চাদুনা নুংঙাইনা লৈনবদো তাচৌনা শিনবা তাবা, খঙদে খঙদে তাচৌনা থোকপা অদুম তৌরো ঐ চৎলগে, সে লুপা চনিদা পীয়ো, ঐ হোটেলদা ওইনা চাজরুরগে।

চীংখৈঙানবা :- ওন্থোকপা অঙাংনিদকো মসিবো। সে নঙগী লুপা চনি হায়বদো, অদুগনে ক্লাস হেক লোইবগা শৎ হল্লক্কদবনি, নমান্নবশিংগা অমুক কোইদুনা লৈথোকপা য়ারোইকো।

লময়ানবা :- ঐ লোয়না ভাব তাই হায়বা তাচৌনা অমুক হায়দ্রসু, অদো তাচৌসু ভাব খরদি তাবা ফবনিকো।

চীংখৈঙানবা :- কৈনোনেহে মসিবো ৰাঙাং খুদিংগী ঐবু ভাব তাবা ফৈ হায়রিসিবো, ঐনা কৈদৌরগেনে।

লময়ানবা :- অদুসু ঐনা অমুক তাকখিগদরা খঙদ্রেনে, হো ইতৈমা পুশিল্লকও হায়বনিদা, মীনা ওজা পাখং অরিবা হায়নরিদো ইকাইদরা হায়বা।

চীংখৈঙানবা :- নঙ খঙনিদনা নঙ, ননাদু লৈগেবা, মী উশিৎতবা (মনা লৈবা)।

লময়ানবা :- এ ... এ ... এ ... তাচৌ সে ... সে... হায়বা থাদোকও হায়বা ... নাই হায়বা ... অয়ো...।

মালংবী :- লময়ানবা ... লময়ানবা নোয়বু চাক চারবরো ?

চীংখৈঙানবা :- (ইকাইরপ লময়ানবগী মনা লৈরম্বদু খঙথা থাদোকপা) আ ... চাদরি ... ! মালংবী লাকও চংঙকও লাকও।

লময়ানবা :- ইচে কৈদৌরগে, সনালেম্ববু কলেজ চৎখ্রবরো ?

মালাংবী :- নঙগা পুন্না চৎমিন্নগদবা নৎতরো, মাদি নঙবু ঙাইদুনা লৈহৌরবনি।

লময়ানবা :- অদুদি ইচে, ঐ চৎলে, থেংঙে সনালেম্বীনা কুইনা ঙাই হায়দুনা অমুক শাওরকঅনি।

মালাংবী :- (নোকঅগা) হোয়, হোয় চৎলো চৎলো।

চীংখৈঙানবা :- মালংবী করি হায়গে হায়বনো নঙবো? নঙগী যুম ভারা পীগদবা মতমসু য়ৌশিল্লক্লে, নঙ লাকইঙৈসিদা পুখরো।

মালাংবী :- (শাওরপ) ঐবু যুম ভারা থৌবা লাকপা ওইনা উরুরবো, সারখোইগুম্বা লৈবাক্লা শকখঙনরবা এসোসিয়েট প্রোফেসার অমনা ঐগী যুমদা লৈবীবা হায়বসে ঐখোয়গীদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। হঙ্গামগা বোরিগা থোংবা পীগে হায়দুনা লাকপনি, সে সিদা থল্লগে। হাওবা হাওতবদি খঙদে পীজনিংদুনা তৌবনি।

চীংখৈঙানবা :- ফরেদা, ঐখোয় লময়ানবনা চাক্তং থোংলগা থনল্লে, এঙ্গাংদি ঐনা থোকপা তৌহৌরো হায়দুনা, তান য়াম্না চারে, নঙনা এঙ্গাং পুবীরকপসে, অদো মালাংবী নঙ ঐঙোন্দা সার কৌগনু মীং অদুম কৌনসি লেংগাওই করিওইসু ওইরমগদবসু মাল্লি, ঐনা খিৎতংবুদি হল্লমগনিদা।

মালংবী :- (নোকঅগা) হোয় ঙসিদগী মীং হেক্তা কৌরগে, অদো সার, ইহে চীংখৈঙানবা! আ হোইজাইদদি কনা কনা লৈহৌরিগে, ইমা-বাবাদং তরক তরক লৈহৌরবো?

চীংখৈঙানবা :- ইচলনুপী অমগা ইমা-বাবাগা মখোয় অহুম লৈহৌই, ঐনা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টতা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইনা খল্লকপসিদা ইনাওনুপা লময়ানবা ইবানি হান্না হেক্তা চৎলসি হায়দুনা লাকপনি, য়ুনির্ভসিটিগী ক্বাটর ফংদ্রিঙৈসিদা নখোয় যুমদা লৈবা ফংবসে য়াম্না লাইবক ফবনি।

মালাংবী :- ঐখোয়গীদি ইমা-বাবাসু লৈখিদরে, ঐনা মমা-মপা শক্তুনা ইপ্পানুপাসিগা ইনাওনুপীসিগা কোন্দুনা লৈরিবনি, মখোয় অনিনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইদুনা মশা মতোমতা লেপচবা ঙমজহৌবা অদুখক্তনি ঐনা ঈশ্বরদা নীজরিবা, সারখোয়না ঐখোয়বুসু খরা য়েংশিনবীয়ু।

থোইথোই :- ইচে ... ইচে... ইচেবু কদোমদা লৈগে?

মালংবী :- ইচেদি সোমদা সার চীংখৈঙানবাহোয়গী কাদা লৈয়ে, নঙসু সিদা অমুক্তা লাকখোও।

চীংখৈঙানবা :- থোইথোইদি হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টগী ওজা সনাতোম্বগী গাইদেন্স মখাদা রিছার্চ তৌরিবা ওইরমাল্লে।

মালংবী :- উম তৌরি, য়ারগদি সারনা কো-গাইদ খরা ওইবীয়ু, মাগী রিছার্চ ৱার্কসিদা সারনা মতেং খরা পাংবীয়ু

থোইথোই :- ইচে করি তৌরগে ... আ সার য়ুনির্ভসিটি চৎপীররোইদরা ঙসিদি?

চীংখৈঙানবা :- ঙহাক লৈরগা চৎলনি, ঙসিদি ক্লাসসু খরা থেংনা লৈবদুদা থেংলপ চৎলসু য়ানি হায়দুনা লৈথোল্লবা।

থোইথোই :- সার, ঐ ওসিনোগ্রাফিগী মরমদা খরদং মমুৎ তানা নৈননিংই অদুনা ইন্দিয়ান নেসনেল সেন্তর ফোর ওসিন ইনর্ফোমেসন সার্ভিস (আই. এন. সি. ও. আই. এস.) তা মতম খরদং জোইন তৌদুনা লৈনিংই। করম তৌরগা কমাইনা তৌবা য়াগনি হায়বদু সারনা তাকপিয়ু, য়ান্নবসু খরা শিনবীয়ু।

চীংখৈঙানবা :- অদুগী ওইরদি নঙ করিসু ৱারুরনু, হায়রিবা সেন্তর অদুদা মেনেজর ওইনা লৈরিবা দাক্তর সুব্রমনিয়মদু ঐগী য়াম্না চান্নবা মরুপনি, মঙোন্দা ঐ হেক্তা হায়খ্রগে।

থোইথোই :- অদুদি সার, য়াম্না নুংঙাইজরে, সারগী মতেংদগী ঐনা নীংজবা মঙলান মঙফাওনবা ঙমগদৌরে অদুদি সার ঐ য়ুনির্ভসিটি অমুক্তা য়ৌজরুখিগে।

চীংখৈঙানবা :- ফরে ফরে চৎলম্মো, চৎলম্মো, ঐসু লাকঅদবনি।

মালংবী :- চীংখৈঙানবা, নহাক্না ঐখোয়দা মতম খরদং লৈবিরবসে, ঐখোয়গীদমক ঈশ্বরনা থাবীরকপগা চপ মান্নখরে।

চীংখৈঙানবা :- মীওইবা হায়বসে অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা অৱাৎ-অপা মেনখৎনদুনা নুংশি চান্ননা হীংমিন্নগদবনি, মসিবু নৎত্রনে পুন্সি হায়রিবসে।

মালংবী :- (নোকপা) সারদি সাহিত্যসু য়াম্না ৱাংলিপোৎনি অদো ঐগী হঙ্গামগা বোরিগা থোংবদুদংদি চাবিয়ুকো, পীজনিংনা পুজরকপনি।

চীংখৈঙানবা :- উম হাওনা চাদোইনে, নঙনা পীজববু করিগী চারোইদোইনো? (নোকমীন্নবা)

-ম্যুজিক-

(মফম: কলেজ কেম্পস, ছাত্রা-ছাত্রীশিং লাংবগী খোঞ্জেল)

লময়ানবা :- ইস ঙসিগী নুংশা খুশাশিদি চোকথবনসু লোইরে, ঙসাই অয়ুক পুং মাপলদগী লেপ্তুনা ক্লাস তৌরকপসিগা ৱাবনসু শিদৌরে, লাকও সনালেম্বী কান্টিনদা কৈনোমতা চারুসি, পুকসিসু লাম্বনা কৈনোম তৌরে।

সনালেম্বী :- নঙবু ঙসাই য়ুমদগী করিমতা চারকত্রবো হায়রিসিবো?

লময়ানবা :- চাকপুদি ঐনা থোংলম্বনি, এঞ্জাং থোংবা তন্দনা অদুম থোংলমদ্রবা, চাদনা অদুম লাকএ।

সনালেম্বী :- অদো ঙসাইনা হায়বা য়াদরো, ঐখোয়দা কোক চারগা লোইরবদুবু ।

লময়ানবা :- হো ইবেম্মা, নোয় ইচেদু ইকাইজেনে, নোয় ইচেনা চৈরকঅদি কমাই তৌনি।

সনালেম্বী :- ইস ! ঐখোয় ইচেদদি কৈদৌবগী ইকাইরিবা, ঐখোয় ইচেদি মপুক ফত্থ্রজাৎনি।

লময়ানবা :- হোয় অদুবুদি চুম্মী, নোয় ইচেদো ঐখোয়দা এঞ্জাং থীনবা লাকহৌবনি, ঐদি অদুম চাদনা নঙ শাওরল্লগনি হায়দুনা লাকঅবা।

সনালেম্বী :- ঐখোয় ইচেবু, উম তৌরমনিয়ে,ঐনা ঙহাক্তং কলেজ কারমদাইদুদা খঙমাং মাংখি খল্লিনে, হুম (খিৎতং নোকপা) নঙসু খরা চারকপা য়াদরো।

লময়ানবা :- থেংঙে হায়দুনা নঙ শাওরমলগনি খন্দুনা অদুম চারকত্রবা, চাবুদি য়াম চানিংবা (সুকথরগা হায়বা)। নোয় ইচেসি য়াম্না ফৈ, য়াম্নসু নুংশি।

সনালেম্বী :- লময়ানবা ! ঐখোয় ইচে লৈরমদ্রবদি ঐখোয় করি ওইরমগনি খল্লুবদা পুক্লিং অসে অকিবনা পীক থল্লি, ইমা-ববানা ইচিল-ইনাও ঐখোয় অহুমবু ঙন্তানা তাইবং মালংপানসিদা হুন্দোক্তুনা থন্বীরল্লে, ইচেনা ঐখোয় তাতোনগা ইবানিবু মী ওইননবা কয়াদা ৱানা হোৎনবিরকপা, ঐখোয়গীদি ইচেসি মীৎনা উবা ঈশ্বরমকনি (পুক্লিং নুংশিনা হায়বা)।

লময়ানবা :- ফরেসে তোকওসে, কান্টিনসু য়ৌরে, পরোথা অমমম চাশি লাকও। সে সিদা হেক্তা ফম্মসি।

সনালেম্বী :- উম কোফিসু থকসি হায়খ্রো।

লময়ানবা :- সোমদা পরোথা অনিগা, কোফি অনিগা পুবিরকও।

সনালেম্বী :- লময়ানবা ! নখোয় তাচৌ সার চীংখৈঙানবনা মফমসিদা থবক তৌবা লাক্লমদ্রবদি ঐখোয় নোয় উন্নরম্মোইকো।

লময়ানবা :- উম উন্নরমদবসু য়াই, ঐসু তাচৌগী মতুং ইন্দুনা মফমসিদা লাইরিক তম্বা লাক্লমদ্রবদি অসুম্না নঙগা লোয়নরিবা তিন্নরিবসে তিন্নরল্লোই, উন্নরল্লোই।

সনালেম্বী :- পুন্সিসে নুংশিদরা, ঐখোয়না য়ুম ভারা শাল্লমদ্রবদি নখোয়সু ঐখোয়দা লৈরমলোইকো। অদো নঙবু গ্রেজুয়েসনসি লোয়রগা মখা করি ওইনা তমথদোইনো?

লময়ানবা :- ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদগী নীংজরকপা, পামজরকপা, ওইগে খনজরকপা অমখক্তি লৈ।

সনালেম্বী :- কৈনো নঙনা ওইনিংলিবো, তানিংবনা লোইরে, সে খরা থুনা হায়রকও।

লময়ানবা :- ঐদি নেভি ওফিসার য়াম্না ওইনিংই। অদুনা য়ু.পি.এস. সি. না লৌবা কম্বাইন্দ দিফেন্স সর্ভিস ইগজামিনেসন (সি.ডি.এস.ই.) থাগে খল্লি।

সনালেম্বী :- অদুদি য়াম্না ফবা থবকনি, ঐসু নেভি ওফিসার সে য়াম পামজৈ।

লময়ানবা :- অদুদি নঙসু ইগজামিনেসনসি থাসিদনা, ইবান্নি পুল্লপ ওইমিন্নরদি য়াম নুংঙাইনি।

সনালেম্বী :- হুম ! ঐদি থারোইদা নঙনা ওইরগা ঐগীদি অদুম য়ারেদা।

লময়ানবা :- অওইবরো নঙনা হায়রিসিবো।

সনালেম্বী :- উম অওইবনে (নোকপা)।

লময়ানবা :- অদুদি নঙদি মখাগা অমতা তমথররোই হায়রিরো।

সনালেম্বী :- কৈনো অসিবু ৰানেনা, হো ইবুংঙো ঐদিনে ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সতা মষ্টর তৌদোইনে অদুগা মথং-মথং রিছার্চকা তৌদুনা সাইন্টিষ্ট অফাওবীঅমা ওইদোইনে। মালেমসিদা হৌজিক ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহল্লিবসে কন্নবা থবক ময়াম অমা পায়খৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদোইনে।

লময়ানবা :- অদুদি য়াম ফৈনে, নঙনা কংফালদা, ঐনা সমুদ্রগী ঈশিংদা, ইবানি তোঙান-তোঙান লৈনবা তারেদনা।

সনালেম্বী :- হুম ! অসিবু ৰানেনা, য়ারেঙো তাজনিংদ্রে।

লময়ানবা :- হায়মা ঐখোয়দি ৰারিদা কোফিগা পরোথাগা থনম্বগাসে অমত্তা উহৌদরে, সে প্রপ প্রপ চাথোকও থেংশ্রনি, ইচেনা অমুক থেংঙকই হায়দুনা চৈরনি।

সনালেম্বী :- উম,... হোয় চৎনবা তৌরসি।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মালংবীগী য়ুম)

মালংবী :- (মথন্তা ঙাংবা) নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লক্লে, লাই-ধুপ থাওমৈ থানবসু লোইরে, হৌজিক ফাওবা, কনামতা হল্লক্তেনে তৌরিসে ... য়ুনির্ভসিটি চৎখিবা কাংবুসু হল্লক্তে... কলেজ কাখিবা কাংবুসু হল্লক্তে... হুম ! খঙনিদনা ঙসি হন্দা-হল্লকখিসনু মখোয়, চাওখ্রবা য়ুমসিদা ইতোমতা য়ুমশংবী ওইদুনা লৈরে ঐনা।

থোইথোই :- (তপ্না) ইচে ঙসিদি খরা থেংদোকখরে, সার চীংখৈঙানবগা থবক খরা তৌমিন্নদুনা লৈথোক্লুরে।

মালংবী :- অদুবু নোয়বু ফোন অমতংদা ওইরসু তৌরকপা য়াদব্রা হায়বা, ঐনা তৌবা ফোনসু নোয়না পাইবিদে অদুদদি ঐদি সোমদদি পাখৎপনা লোইরে, নোয় সারদি লাক্তব্রো।

থোইথোই :- উম পুল্লপ লাকমিন্নরে, মাগী কাদা চংখরে। ঐখোয় সনালেম্বীদি উদে মাসু হল্লক্ত্রিবো?

মালংবী :- হল্লক্ত্রি, হৌজিক ফাওবা, করি তৌরবনো খঙদে, লময়ানবগা মাগা পুন্না চৎমিন্নখিবনি ঙসাইদি।

থোইথোই :- কৈনো হায়রিসিবো ? লময়ানবদি লাকখ্রব্রো?

মালাংবী :- লাক্ত্রি, ফোনদু অমুক্তা তৌ ঐনা ঙসাই তৌবদদি পাইরক্তে।

থোইথোই :- (ফোন তৌগে তৌবা) এ ! নোয়দি অসুক থেংলকইদি করিগীনো, ফোন তৌগে হায়দনা হেক পায়খৎপগা য়ৌরকইনে নোয়দি।

সনালেম্বী :- মীনা গাড়ী অহনবা অমতা লৈবীয়ু হায়দি সুংয়া য়াদে, লম্বীদা গাড়ী য়ারক্তদনা ইল্লগা কয়া ৰানা লাকএ (পেরি পেরি হায়বা)।

লময়ানবা :- গাড়ীনা ঐনা ইনখৈ ইল্লকঅগা নঙনা ওইনা ৰারিবা (তপলপ হায়বা)।

সনালেম্বী :- অস ! তুমিন লৈয়ুবা চৈদনবা ঐনা হায়শিন্নরগা (লোন্না হায়বা)।

মালংবী :- ফরে ফরে সে শাওরনু, সিদগীদি ইচেনা সাইকল অহনবা অফবা অমা লৈবিরদোইনি।

সনালেম্বী :- এ ! করি হায়বা ... সাইকল ওইনা লৈবীদোইবা।

মালংবী :- উম ! সাইকল তোংদুনা চৎলদি থাওসু তিংলরোই, ইয়ার পোল্লুসনসু থোকহল্লরোই, হকচাংসু ফরদোইনে, অদুনা লৈবীদোইবা।

থোইথোই :- হোয়নে অদুনবু ফরে, ঐসু য়ুনির্ভসিটি চৎপদা সাইকল ওইনা থৌরনি।

মালংবী :- লময়ানবা ! নোয় তাচৌ কৌরকও, ইচেনা ঙসাইনা চা লোন্দুনা থল্লবনি, চা থকমিন্ননবা হায়দুনা।

লময়ানবা :- হোয় ইচে।

সনালেম্বী :- ইচে, ঐ খুৎশা হামদোক্লগা চাদু ঐ ওইনা পুরক্লগে, ইচে ঙসাইদগী ইমুংগী কুপ্লোম ময়াম তৌবদা ৰারল্লগনি (চঙখিবা)।

মালংবী :- হোয় হোয় পুরকও পুরকও।

থোইথোইবা :- ইচে নঙসি ঐখোয়গীদমক য়াম্না ৰারেকো।

মালংবী :- ইচে কৈসু ৰাদেদা, ইচেগী হায়ববু নচিল-নৌপ্পানা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্বা অসিখক্তনি ইচেনা লাইনিং ওইরিবসে।

থোইথোই :- ইচে নহাক লৈরমদ্রবদি সনালেন্বী ইবানিসে কনা লৈজদ্রবা পীদৎ-পাদৎপা হায়বদু ওইরমগনিকো (পুক্লিং নুংশিনা হায়বা) ।

চীংখৈঙানবা :- করি ৰারিনো চীকথনরমলিসিবো?

মালংবী :- কৈসু নৎতেদা, ইচিল-ইপ্পা সারখোয় ঙাইবা ওইনা ৰারী সুম শারম্বনিদা। সোফাসিদা হেক্তা ফম্বীয়ো, লময়ানবা নঙসু ফম্মো।

সনালেন্বী :- ময়াম চা পুজরক্লে, ... চা থকঅসি... সার চা লৈজরে, সিদা হেক্তা পুন্না থল্লগে।

চীংখৈঙানবা :- (চা থক্লা থক্লা) মালংবী ! থোইথোইনা সমুদ্রগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি কংফালগী ওইরিবা ক্লাইমেটিক কন্দিসন অনিসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংগী মরমদা থীজিনগে হায়রিবসে য়াম্না ফৈ, হৌজিক ওইরিবা মালেমগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অসি কনগে হায়রবদি সমুদ্রগী মহৌশাগী ফীভম কাইহন্দনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

মালংবী :- সমুদ্রগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনগা কংফালগা লৈনরিবা মরী অসিগী মরমদা ঐখোয়সু খঙজনিংই সার।

চীংখৈঙানবা :- মালেমগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ৭০দি সমুদ্রগী শরুক্নি। পৃথিবীদা ফংলিবা নুংশাগী মৈশাগী শরুক মরি থোকপগী অহুমদি সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায়দা চুপশিনখি অমদি কংফালগী শরুকশিংদা মৈশা অমুক থক্তোরকই। সমুদ্রা ঈশিংগী করেন্ট হায়বদি ইথক-ইপোম অসি নোর্দন হেমিস্ফিয়ারদনা ক্লোকৱাইজ দাইরেক্সন ওই অদুগা সাউর্দন হেমিস্ফিয়ারলোমদনা এন্টিক্লোকৱাইজ দাইরেক্সনলোমদা চেন্থে। অশাবা ঈশিংগী করেন্ট ইক্বেটর লোমদগী পোল্লোমদা চেন্থখি অমদি পোল্লোমদগী অইংবা ঈশিংগী করেন্ট ইক্বেটরলোমদা চেনশিল্লকই।

থোইথোই :- হায়রিবা সমুদ্রগী ঈশিংগী করেন্ট অসিনা পৃথিবীগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনদা মতম মতমগী ওইনা অহোংবা নাইহল্লি

লময়ানবা :- সমুদ্র ঈশিংগী করেন্ট সিষ্টেম অসি লৈরমদ্রবদি ঐখোয়গী মালেম অসিগী টেম্পরেচর অসি মফম খরদনা খংশা শাবা, মফম খরদনা খঙইং ইংলমগনি, মীওইবনা খুন্দা লৈতাবদা অৰাবা কয়া মায়য়োক্লরমগনি।

চীংখৈঙানবা :- মালেম অসিদা সমুদ্র লৈরমদ্রবদি থৰায় পানবা অমতা লৈবা ঙল্লল্লোই।

সনালেন্বী :- সার, সমুদ্রগী শরুক অসি পেসিফিক ওসিন, অটলান্তিক ওসিন, ইন্দিয়ান ওসিন, সাউর্দন ওসিন অমদি আর্টিক ওসিন হায়না মফম মঙা থোক্লা খায়দোকইকো।

চীংখৈঙানবা :- উম খায়দোকই। মালেমগী ওসিনশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ান ওসিনগী সর্ফেস টেম্পরেচর অসিনা খ্বায়দগী শাই, শাবগী চাং অসি সেলসিয়স ডিগ্রি ২২ দগীনা সেলসিয়স ডিগ্রি ২৮ ফাওবগী মনুংদা লৈ।

মালংবী :- খ্বায়দগী ইংবা ওসিন অদুনা করিনো সার?

চীংখৈঙানবা :- আর্টিক ওসিননা খ্বায়দগী ইংঙি, ইংবগী চাং অসি মাইনস ২ ডিগ্রি সেলসিয়স ফাওবগী চাংদা লৈকো।

মালংবী :- অস ! অদুদি য়ামনা ইংবাজাৎনিকো।

চীংখৈঙানবা :- মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা গ্লেসিয়র অমদি উন মপাকশিং, শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি অসুম অসুম ৱাংবা হেনগৎলক্লি, কার্বোন ডাইওক্সাইদ অমদি অতোপ্পা গ্রিন হাউস গ্যাসশিংগী চাং এটমোস্ফিয়ারদা হেনগৎলকপা মরমনা সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায়গী টেম্পরেচরদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইহল্লকই, সমুদ্রগী ঈশিংদা এসিদকী শরুক ৱাংখৎলকপা মরম কয়াসিদগী সমুদ্রদা ফংবা থৱায় পানবা কয়া মাঙশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লকই।

সনালেন্বী :- অদুদি সার, ঐখোয়না সমুদ্রগী মহৌশাদগী লৈজরম্বা ফীভমশিং অসি কন্নবা হোৎনদ্রবদি ঐখোয় মালেমসিদা হীংদুনা লৈবা ঙম্লোইদৌরিবনিকো।

চীংখৈঙানবা :- উম অচুম্বনি।

মালংবী :- পুংসিসু থেংজিল্লক্লে, নুমিদাংগী চাক থোংননবা তৌরুরসি সনালেন্বী।

সনালেন্বী :- হোয় ইচে । অদো ইচে সারগা লময়ানবগগী চাকসু ঐখোয়দা হাপলসি।

মালংবী :- হোয় মদুনা ফরনি।

থোইথোই :- অদুদি ইচে, ঐ ঙা লৈরুখিগে, চাক থোংগৎলম্লো।

লময়ানবা :- দাদা থোইথোই, ঐসু লাক্কে।

চীংখৈঙানবা :- নবানিনা ঙা লৈবা চৎখ্রবদি ঐদি চাক থোংবা ওইনা য়াওহৌবা তারেনে (পুন্না নোকমীন্নবা)।

-ম্যুজিক-

(নুমিদাং অথেংবা মতম, হুইনা লাকনা লাকনা খোঙবা)

সনালেন্বী :- (মথন্তা ঙাংজবা) পুংদি ফনা থেংজিনলক্লে, মীৎসিসু ঙসিদি করি তৌরবনো খঙদে শুংউই উইশিল্লু হায়বসু য়াদরে, ইর্ন্টনেট হাংলগা সমুদ্রগী মফমশিং অদুগা জহাজশিংগী মরমদা অমুক্তবু য়েংখিগে, লময়ানবসু নেভি ওফিসার ওইনি হায়কো ... এ ! সিগী জহাজসিদি করি জহাজনো ... ইন্দিয়ান নেভেল সিপ.... সিদি য়াম ফজেনে, সমুদ্রগী ঈশিং ইমায়সিদা অসুম অসুম লাপ্পা চৎখ্রিবসে কয়াদা ফজখ্রবা ... ... ।

-ম্যুজিক-

(সমুদ্র ঈশিংগী ইথক ইপোক, জহাজগী চৎথোক চৎশিন তৌবগী মখোল)

সনালেন্বী :- কয়াদা নীংথিজরিবা সমুদ্রগী ইথক-ইপোম অসি, লোইবা নাইদনা শন্দোকখ্রিবা পাক্লবা ঈপাক অসিদা লেপ্পা লৈতনা চৎলিবা জহাজশিং অসিনা অমুক্কা হেন্না নিংথিজৈ।

লময়ানবা :- নঙদি নথন্তা সিদা কৈদৌরম্মীবা? ইচেহোয়দি ?

সনালেন্বী :- মোয়দি কেবিন মনুংদা পোথাহৌবনি।

লময়ানবা :- লাকও মনুংদা চঙলসি, সমুদ্রগী ক্লাইমেট অসিদি খঙহৌদনা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপা, অখাক-অরাও য়াওবা নোং তারকপা য়াই।

চীংখৈঙানবা :- নখোয় অনিদি সিদা লৈরক্লেদনা ঐখোয়দি নখোয় কদোমদা চৎখ্রবগে কোইথি থিরুরিনি।

থোইথোই :- ঐখোয়না চৎলিবা মায়কৈ অসিবু কদোমদনো?

লময়ানবা :- ইন্দিয়ান ওসিন লাম্থোরক্লে, পেসিফিক ওসিনলোমদা চঙশিনবা হৌরক্লে।

মালংবী :- এ ! অদুদি ঐখোয়দি ওন্থোক্না লাপ্পা লাক্লেদনা।

লময়ানবা :- (নোং নুংশিৎ অকনবা শীৎলকপা) ময়াম পুন্নমক নুংশিৎ অকনবা শীৎলক্লে, কেবিন মনুংদা চংবীরো, ঐসু ব্রিজলোমদা চৎলগে।

সনালেন্বী :- কমায় তৌনি ঐখোয়দি, হৌজিক সমুদ্র ইয়াইসিদা জহাজ অসি লুপ্পা তারবদি ... য়াম কীজরে ঐদি.... ইচে... তাতোন ... সার চীঙখৈঙানবা... লময়ানবা ... কমাই তৌনি... য়াম কীজৈয়ে... (কপ্পগা কন্না লাওবা)।

মালংবী :- ইবেম্মা ... ইবেম্মা... সনালেন্বী... কৈদৌরগে নঙবো... তারবো ... সে নমীৎ শীংঙো ... সে ... তারবো?

সনালেন্বী :- (স্বর ফুইনা হোনবা) ইস ! ঐদি ওন্থোকপা মঙ অমা মঙলুরেদনা।

-ম্যুজিক-